ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
হুইয়েন লানপাউ

শগোলবন্দ বিজয় গোবিন্দ মান্দবতা নিমিতা দেবী নৃত্যা আশ্রমনা শীন্দুনা প্রদক্সন জগোয়শিং উৎপগা লোয়ননা আশ্রমগী মনাশিং লাম্থোকখিবা

ত্বেন্তি-সিক্স ইলেভেন
☛ লামায় ২

নুপী শুমাং লীলা চাংদম্নবা হৌখ্রে
☛ লামায় ৩

কোর্টনা বেল প্রেয়র ককথৎখ্রে
☛ লামায় ৫

লাইশ্রম অঙম চান্দ এম পি এস সীগী চেয়রমেন ওইনা থবক পায়বা হৌখ্রে
☛ লামায় ৬

ককচীংগী ৱান ষ্টোপ সেন্টরনা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটকী মখাদা পাঙথোকখিবা এৱেয়র্নেস প্রোগ্রামদা এদভোকেট সরনকুমারীনা ৱা ঙাঙখিবা

Vol. 45, Issue No. 241 | ইরাই, হিয়াঙ্গৈগী ২২নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Friday, November 26, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

CALL 1950
TO KNOW ABOUT APPLICATION STATUS
Chief Electoral Officer, Manipur

পোক্সো কেসকী এক্ক্যুজ অমা কোর্টনা জেলদা থাজিনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৫ (ঐচএনএস) : থা অসিগী ১৩ অমসুং ১৪দা মশাগী চহী ১৪ খক্তা ঙাইরিবী নুপীমচা অমবু নমদুনা ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীখি হায়বা থৌদোক্কী মতাংদা সেকমাই পি এসনা পোক্সো এক্টকী সেক্সন ৬কী মখাদা লৌখৎখিবা কেস এফ আই আর নম্বর ৪৫ (১১) ২০২১গা মরী লৈননা ফাগৎখিবা মীওই অমা ঙসি স্পেসল জজ (পোক্সো), ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টনা জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখ্রে।

জেল থাজিনখ্রবা মীওই অদুগী মমিং নিংথৌজম রামেস এলিয়জ তোনদোনবা (২৭) অপোকপা এন লোখোন কৌই, অৱাং ৱাবগাই মনিং লৈকায়দগীনি হায়রি। মহাক্না নুপীমচা অসিবু সেকমাই পি এসকী মনুং চনবা তেংদোংয়ানদা লৈবা ষ্টোন ক্রশর মেছিন অমগী মনাক্তা লৈবা অশানবা কা অমদা ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীখিবনি হায়রি। মহাক থা অসিগী ১৯দা পুলিসনা ফাগৎখিবগা লোয়ননা ঙসি ফাওবা মখোয়গী কষ্টদিদা থল্লকখিবনি। অদুবু মহাক্কী পুলিস কষ্টদিগী মতম লোইরদুনা ঙসি জুদিসল কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরদুনা পুথোরকখিবনি। অদুম ওইনমক মহাক্কী মায়কৈদগী পুলিসকী প্রেয়র অদুবু ওবজেক্সন তৌরদুনা বেল পীবিনবা হায়জখি।

পি দব্লিয়ু দি লিশীং ৪ ভেরিফাই তৌরে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৫ (ঐচএনএস) : সী ঈ ও, মণিপুর রাজেস অগ্রৱালনা ঙসি পাঙথোকখিবা ভর্চ্যুএল কনফরেন্সদা হৌজিক চথুরিবা স্পেসল সম্মরি রিভিজনদা পর্সন ৱিথ দিসএবিলিটিজ (পি দব্লিয়ু দি) ভোটর লিশীং ৪ হেন্না ভেরিফাই তৌরগা ইলেক্টোরেল রোলদা য়াওহল্লে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

অ ঈং-অশাগী পাউ
খ্বাইদগী শাবা ২৮.৫৬°C
খ্বাইদগী ঈংবা ০৮.০৩°C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : নিল
নুমিৎ থোকপা : অয়ূক পুং ৫.৩৮
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.২৫

HL Poll

Q: Indefinite Economic Blockade yasinnakhibagum ST demandgisu leingakna yasinnanaba hotnafam thoktabra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Bundh-blockade touhandaba leingakna highway anida indefinite economic blockade chatharakpada karisu touba ngamdre haina louba yabra?

Yes 57% No 43%

অস! লোইরেহে!

- করিনো বরগী মপা অসিবু বরদগী হেন্না নহা ওইনা উইদা

- [illegible]



- হায়দোকপীনীংঙাই লৈতদনা ঐনা লাকচবনি, ঐ বরগী মচানুপানি।

- [illegible]

এস টি দিমান্দগী পুং ৭২গী জেনরেল ষ্ট্রাইক

ঙসিদগী হেন্না কনশিল্লগনি : দব্লিয়ু এম সী

জেনরেল ষ্ট্রাইকতা শরুক য়াবা লূপ ১৭ শুরে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৫ (ঐচ এন এস) : মীতৈ/মৈতৈবু লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুসনগী সেদ্যুল্ড ত্রাইবকী লিষ্টতা য়াওহনগদবনি হায়বগী দিমান্দদা মতম অমদা পান মীতৈ কনভেন্সন অমসুং ৱর্ল্ড মীতৈ কনভেন্সন হায়না খঙনরম্বদগী হৌজিক্লা ৱর্ল্ড মীতৈ কাউন্সিল (দব্লিয়ু এম সী) হায়না খঙনরক্লিবা লূপ অসিনা তোঙান তোঙানবা লূপ ১৫গা লোয়ননা পূন্না লূপ ১৬না ঙরাং অমসুং ঙসিগী লোন্নবা অহিং নোংয়াইদগী চথুরকখিবা পুং ৭২গী মণিপুর পূম্বগী জেনরেল ষ্ট্রাইক অসি অনৌবা লূপ অমনসু সপোর্ট তৌরক্তুনা পূন্না লূপ ১৭না মখা তানা চথুদুনা হয়েংদগী হেন্না কনশিল্লগনি হায়না দব্লিয়ু এম সীগী সেক্রেটরি অরুননা পাউচে অসিদা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি নুমিদাংৱাইরম চথুরক্লিবা জেনরেল ষ্ট্রাইক অসিগা মরী লৈননা পাউচে অসিগা অখন্ননা শানখিবা ৱারীদা দব্লিয়ু এম সীগী সেক্রেটরি অরুননা হায়, ৱর্ল্ড মীতৈ কাউন্সিলনা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অসিদা শৌগৎলকপা অপূনবা লূপ ১৭ শুরে। লূপশিং অদুদি সোসল দিভেলপমেন্ট এসোসিএসন (থৌবাল অচৌবা), থৌবাল অপূনবা লূপ, য়াকাইপুং থৌপাং লূপ (ৱাংজিং লমদিং), সনামহী লাইনীং লূপ (ৱাংজিং ৱাংখৈ), শুগুনু ৱিজদম ক্লব, লমজাও পার্ট ৱান দিভেলপমেন্ট এসোসিএসন, লৌমী (লমজাও), খুঙ্গং শেমগৎ শাগৎ লূপ (লমজাও), কেগে মোইরাং কেন্দ্র অপূনবা লূপ, কেগে মোইরাং কংলৈরোন কনবা লূপ, কেন্দ্র কনবা লূপ (মোইরাং), মোইরাং কেন্দ্র অপূনবা ইমা লূপ, মৈতৈ তেংবাঙ থৌগল লূপ (ময়াং ইম্ফাল), কোংপাল য়ুথ দিভেলপমেন্ট ক্লব (খুরাই), অপূনবা ক্লব (শাবলতোংবা) অমসুং কে কে এলনি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা হায়, তশেংনমক দিমান্দ অসিগীদমক চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অসিনা য়ারিবমখৈ পামদবা থৌদোকশিং থোরক্তনবা হোৎনরি। লাইবক ফবদগী হৌজিক ফাওবদি থোকহন্নিংদবা থৌদোক অমত্তা থোক্ত্রি হায়রি। ইম্ফাল মনুংগী মফম খরদা গাড়ী খরা চৎথোক চৎশিন তৌবা অমসুং দুকান্নচিংবা খরা হাংনবা থেংনৈ। অদুমকপু ইম্ফাল ময়োলদগী মসিগী অকোয়বদা খরা হাইদোকখ্রগদি জেনরেল ষ্ট্রাইক অসিগী মমি মপুং ফানা তাখি। মফমশিং অদুগী মীয়াম্না সপোর্ট তৌনরি হায়খি।

অদুম ওইনমক লূপ ১৬কা খুৎশম্ননা দব্লিয়ু এম সীনা চঙশিল্লক্লিবা জেনরেল ষ্ট্রাইককী খোঙজং অসি হয়েংদগীদি খরগা হেন্না কনশিলহন্নবা ফিরেপ লৈরে হায়রি।

অমরোমদা, পাউচে অসিগী মায়কৈদগী ৱর্ল্ড মীতৈ কাউন্সিলনা চথুরক্লিবা জেনরেল ষ্ট্রাইককী খোঙজং অসিবু মীতৈ/মৈতৈবু সেদ্যুল্ড ত্রাইব লিষ্টতা চলহনগদবনি হায়বগী দিমান্দ তৌরদুনা চঙশিল্লকখিবা সেদ্যুল্ড ত্রাইব দিমান্দ কম্মিটিগী মায়কৈদগী মরী লৈনদে হায়বনচিংবা ৱাফম থোরকপগী মতাংদা হংখিবা ৱাহংগী পাউখুমদা দব্লিয়ু এম সীগী সেক্রেটরি অসিনা হায়, থৌওং অসিগী মতাংদা করি কমদৌনা থোরকখিবনো হায়বগী ৱাফম ফোঙদোক্তুনা ঙাঙন-শক্লবা লৈরে। থৌওং অসিদি মীতৈ/মৈতৈ পুম্নমক্কী ওইনা লাইবক থীবনি অমসুং ইকায়নীংঙাইনি হায়রকখি। চথুরক্লিবা জেনরেল ষ্ট্রাইক অসিদা চঙশিনমিন্নরিবা লূপশিংগী মনুংদগী খরা কনশিন্না অমসুং থৱায় য়াওনা মাঙজিল থাবীরকপা লূপশিংসু য়াওরি হায়নসু ফোঙদোরকখি।

লোয়ননা ঙরাং অহিং নোংয়াইদগী চথুরকখিবা জেনরেল ষ্ট্রাইককী খোঙজংগা মরী লৈননা পুলিসনা খোঙজং অসিবু শৌগৎপা লূপশিংগী মীওইশিং ফাগৎপা লৈখিব্রা হায়না হংবা ৱাহংগী পাউখুমদদি মহাক্না হৌজিক ফাওবগীদি পুলিসনা মীওই অমত্তা ফাবা লৈত্রি হায়না ফোঙদোরকখি।

অমরোমদা ৱর্ল্ড মীতৈ কাউন্সিল সেন্ট্রেল এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী মায়কৈদগী চেয়রমেন হৈগ্রুজম নবশ্যামনা থোরকপা ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

থৱায় ফাওবা কংথোক্তুনা মণিপুরগী ইন্টিগ্রিটি ঙাক্তুনা লায়রবসু কোকহনগনি : জিবোন

২৫- ওইনাম এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুএন্সি

মণিপুরগী পোলিটিক্সতা অনৌবা মায়থোঙ

ডা. খাইদেম অথৌবা

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৫ (ঐচ এন এস) : কুমজা ২০২২দা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২ শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লিগী ইলেক্সনদা ২৫-ওইনাম এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মীহুৎ ওইগনি হায়না চোংথোকরক্লিবা খুমুকচম জিবোননা (৫৬)না করি করম্বা ৱাখল্লোলদগী পোলিটিক্সতা করিগীদমক খোঙদারক্লিবনো অমদি ওইনাম এ সীগী অমদি লৈবাক মীয়ামগীদমক করি-করম্বা থবক তৌবা পাল্লি হায়বগী মতাংদা পাউচে অসিগী 'মণিপুরগী পোলিটিক্সতা অনৌবা মায়থোং' হায়বা কেন্দিদেট ওইগদৌরিবশিংগী ৱাখল্লোল ঐখোয় পুম্নমক্না খঙমিন্ননবগী চৎথরিবা খোঙচৎ অসিগী শরুক অমা ওইনা অখন্ননা ৱারী শান্নরুবদা হংখিবা ৱাহংশিংগী পাউখুম পীরদুনা মহাক্না হায় -

ৱাহং : লৈবাক মীয়ামগী থৌগল তৌগনি হায়দুনা ভোট লেপ্পগী ৱাখল ফাওরক্লিবসি করি করম্বা ৱাখল্লোলদগী অমদি করি পেন্দবা লৈবদগীনো?

পাউ : ঐহাক্কী এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসিদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লি ইলেক্সনগী টার্ম ৭ ভোট থাদখ্রে, হায়বদি চহী ৩৫ রোম হেন্না ভোট থাদদুনা লাক্লি। চহি ৩৫ অসিগী মনুংদা কাখিবা এ সী অসিগী এম এল এশিংনা লমদম অসিগী ওইনা তৌহন্নিংবা থবক কয়া লৈখি। মদু মপুং ফানা তৌবিরকপা উখিদে। জেনেভাদা বেজ তৌবা ৱার্ল্ড ফেদরেসন ওফ য়ুনাইটেদ নেসন্স এসোসিএসনগী মখাদা য়ু এন এ মণিপুরগী সেক্রেটরি জেনরেল ওইনা থৌ পুরকখিবগা লোয়ননা সোসল এক্টিভিষ্ট অমা ওইনসু চহি ৩৫ রোম অসি থবক তৌদুনা লাকখি। মসিগী মনুং চন্না মালেমগী লৈবাক কয়াদসু চৎখি। হায়জনিংলিবা ৱাফমদি মালেমগী খ্বাইদগী চাওখৎপা লৈবাকশিং অমদি খ্বাইদগী শোৎথনা লৈরিবা লৈবাকশিংগী পুন্সিগী মহিং খঙবা-উবা ঙল্লকখি। খ্বাইদগী নুংঙাই-য়াইফবা হায়নরিবসি চাবা-থকপা ৱাৎতবা, লম্বী-থোং ফবা, য়ুমলৈ-কৈরৈ অমদি অনা-লায়েংগী খুদোংচাবা মতিক চানা ফংবা লৈবাক অদুনি। অদুবু লাইবক থীবদি ঐখোয়গী লমদম অসিদদি লুচিংবশিংনা পুকচেল শেংনা থবক তৌবিরমদবনা ঙসি ইরমদম অসি অৱাৎপগী অৱাৎপা ঙাক্তা ঙাইদুনা লৈরি। মণিপুরদা খ্বাইদগী শোৎথবা এ সী হায়রগদি ওইনাম এ সী অসিনা ওইরি। মসিনা মরম ওইদুনা এ সী অসিগী লুচিংবশিংদা থমখিবা থাজবশিং থবক ওইনা তৌবিরক্তবা মরম্না মীয়াম্না য়াম্না পেন্নদ্রে। করিগুম্বা এ সী অসিগী লুচিংবশিংনা চান্মদা শুপ্নগী ২০ ফাওবদং থবক ওইনা তৌবিরম্লবদি ঐহাক ভোট লেপকে হায়নসু থোক্লল্লোই। মরম অদুনা এ সী অসি অসুম্না শুম লৈবদি য়াররোই খনবদগী করিগুম্বা অওনবা অমা পুরক্লবা অমদি হিংবগী থাক ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট জে পি নদ্দা থুংলরে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৫ (ঐচ এন এস): কুমজা ২০২২গী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লী মীখলগা মরী লৈননা মীখলগা মরী লৈনবা কেম্প্যেনশিংদা শরুক য়ানবগীদমক নুমীৎ নীনিগী খোঙচৎতা বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট জে পি নদ্দা ঙসি নুমীদাং ইম্ফালদা থুংলরে।

বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট জে পি নদ্দা চার্টর ফ্লাইট অমদা ঙসি নুমীদাং পুং ৯.১০ রোম তারকপদা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলখিবনি। মহাক্না ইম্ফাল এয়রপোর্টতা হেক থুংলবগা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অমসুং বি জে পি মণিপুরগী ইলেক্সন ইন-চার্জ ভুপেন্দ্র যাদব, চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এ শর্দা, ৱার্ক্স মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎ, এদ্যুকেসন মিনিষ্টর এস রাজেন, রাজ্য সভাগী এম পি নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবা, এগ্রিকলচর মিনিষ্টর ও লুখোই, এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎ, এম এল এ, আর কে ইমো, এম এল এ করাম শ্যাম, বি জে পিগী মণিপুর ইন-চার্জ ডা. শম্বিট পাত্রা অমদি বি জে পি ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

এসেম্ব্লিদা এ দি সী বিল পুথোক্লগনি হায়বদগী য়াশিন্নখ্রে

ইন্দিফিনিট ইকোনোমিক ব্লোকেদ সস্পেন্দ তৌখ্রে, ফাখিবশিং কন্দিসন য়াওদনা থাদোক্লগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৫ (ঐচএনএস) : মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লিগী হিল এরিয়াজ কম্মিটি (ঐচ এ সী) না রেকমেন্দ তৌখিবা ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলস বিল, ২০২১বু এসেম্ব্লিগী অখন্নবা সেসন অমা কৌদুনা খন্নগদবনি হায়দুনা অন্সম, অটসুম অমসুং কে এস ও - জি ঐচ ক্যুগী মায়কৈদগী থা অসিগী ২০দা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা পুং ২৪গী টোটেল শটদাউনগী খোঙজং চথুখ্রবা মতুংদা থা অসিগী ২২দগী নেসনল হায়ৱেশিংদা চথুরক্লিবা ইনদফিনিট ইকনমিক ব্লোকেদকী খোঙজং অদু মণিপুর লৈঙাক্না খোঙজং অসিবু চঙশিল্লক্লিবা চীংগী মহৈরোয়শিংগী লূপ অহুমগগী মরক্তা য়াশিন্নবা পুরকপদগী মতম খরগী ওইনা সস্পেন্দ তৌখিবগা লোয়ননা ঙরাং তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী নুঙবাদা ইন্দিফিনিট ইকোনোমিক ব্লোকেদকী খোঙজং চথুখিবা মহৈরোয়শিংগী লুচিংবশিং ফাজিনখিবা অদুসু কন্দিসন য়াওদনা থাদোক্লগনি হায়না য়াশিন্নখ্রে।

ঙসি নুমিদাংৱাইরম ওল নাগা ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন, মণিপুর (অন্সম), ওল ত্রাইবেল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন, মণিপুর (অটসুম) অমসুং কুকি ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন (জেনরেল হেদ ক্বার্টর) গী প্রসিদেন্টশিং য়াওনা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মিনিষ্টর অহুমনা শরুক য়াখিবা মীফম অমদা মহৈরোয়শিংগী লূপ অহুমসিনা দিমান্দ তৌরিবা ৱাফম অসি মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লিগী লাক্লিবা নীংথম মীফমদা শোয়দনা ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলস বিল, ২০২১ পুথোক্লগনি হায়বদগী য়াশিন্নবা পুরকখ্রে।

লোয়ননা নাকল অনীমক্না খুৎয়েক পীনদুনা য়ান-চে অমসু ইনখ্রে। অন্সম, অটসুম অমসুং কে এস ও- জি ঐচ ক্যুগী প্রসিদেন্টশিংগা খুৎয়েক পীনখিবা অদু মণিপুর গভর্ণমেন্টকী এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি লেটখোগিন হাওকিপকগী মরক্তনি। ...*মখা লামায় ৩ কলম ৬*

HL-P/7272/10th Nov to 10 Dec.

[illegible]
LOAN AVAILABLE
VEHICLE LOAN
SERVICE LOAN
PENSION LOAN
- Minimum Down Payment
- No Guarantor required
- One Day Delivery

Area Coverage:
* Imphal East
* Imphal West
* Bishnupur

Pliz contact :- 8787688086 Working Hour :- 10:00 am to 4:00 pm
IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O.: Loklaobung
B.O.: MG Avenue, Paona Bazar & Bishnupur Bazar

Chief Electoral Officer Manipur

স্পেস্যাল
সম্মরি
রিভিজন ২০২২
১-৩০ নবেম্বর, ২০২১

অদোমগী শক্তি মশক খঙবীয়ু।
অদোমগী শক্তি শীজিন্নবীয়ু।

ভোট থাদবগী হক হায়বসি মতিক চারবা ভারতকী মীওই খুদিংমক্তা মখোয়না চহী ১৮ হেক শুবগা গণতন্ত্রনা পীবা হক অমনি। ৱা অমা হায়নবা অমসুং তাহন্নবা হক্লি। হক অসি ফংনবা মীওই অমনা মশামক ইলেক্টোরেল রোলদা মিং চনগদবনি।

অদোমগী চহী ১৮ শুরবা নত্রগা হেল্লবা নত্রগা ১জানুৱারি ২০২২দা চহী ১৮ শুগদবা ওইরবদি অনৌবা ভোটর অমা ওইনা স্পেস্যাল সম্মরি ২০২২ গী মনুংদা শোয়দনা মিং চনবীরো।

অদোমগী ভোট থাদবগী খুদোংচাবা অসি নাম্থোকহনবীরনু। ঙসিমক ভোটর অমা ওইনা মিং চনবীরো।

ডাউনলোড ভোটর হেল্পলাইন এপ
Available on the App Store
GET IT ON Google Play

অনৌবা ভোটর অমা ওইনা মিং চন্নবা শীজিন্নবীয়ু **ভোটর হেল্পলাইন মোবাইল এপ**
লোগ তৌবীয়ু **ভোটরপোরটেল.ইসিআই.গোভ.ইন**
ভোটর হেল্পলাইন নম্বর ১৯৫০দা ফোন তৌবীয়ু
অদোমগা খ্বাইদগী নক্লবা **ইআরও ওফিস, ভোটর ফেসিলিটেসন সেন্টর** নত্রগা **বুথ লেবেল ওফিসারগা (বিএলও)**গা তানবীয়ু।

POWER OF 18

সাইখোম মিরাবাই চনু (এথেলেট-সিলভর মেডালিস্ট ওলিম্পিক ২০২০)

Fluorescence Communications Pvt. Ltd.

Chief Electoral Officer, Manipur
Visit us: www.ceomanipur.nic.in
Follow us:
Scan to download
NO VOTER TO BE LEFT BEHIND

HL-B/7307/26

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫